# ইন্দিয়াগী শরথ কমাল অনীশুবা রাউন্দ মায় পাক্কুনা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন চাইনাগী মা লোংগা অহুমশুবা রাউন্দ থেংনরগনি, নুপীগী হোক্কী জর্মনিগী মখূৎতা মায়থীখ্রে, অতোপ্পা ইভেন্টশিংদা ইন্দিয়া ফজবা ঙমখিদ্রে

টোকিও, জুলাই ২৬ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী ভেটরান টেবল টেন্নিস শান্নরোয় অসান্তা শরথ কমালনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দদা মায় পাকপা ঙমদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা মমাং ওলিম্পিক্সকী চেম্পিয়ন অমদি ৱর্ল্ড চেম্পিয়নসু ওইরিবা চাইনাগী মা লোংগা লম্বা তৌনরগনি। ঙসি ইন্দিয়াগী হোক্কী টিমনা গ্রুপ এদা অনীশুবা গ্রুপ মেটচ শান্নবদা জর্মনিগী মখূৎতা মায়থীবা নংখ্রে। লোয়ননা ঙসি ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী তোঙান-তোঙানবা ইভেন্টশিংদা শরুক য়াখিবদা মায়থীদুনা ফজবা ঙমখিদ্রে।

মশাগী চহী ৩৯ শুরবা শরথ কমালনা পোর্তুগালগী টিয়াগো পোলোনিয়াগা অনীশুবা রাউন্দ শান্নবদা হৌরকপদা খরা শোৎখ্রবা মতুং গেম ৪-২দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিবনি। মহাক্না মেটচ অদু ২-১১, ১১-৮, ১১-৫, ৯-১১, ১১-৬, ১১-৯দা থোইদুনা চাইনাগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন অসিগা অহুমশুবা রাউন্দ শান্নগদৌরিবনি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় গনসেখরন সাথিয়ান অহানবা রাউন্দদা মায়থীবা নংখ্রবনি।

নাকল অমরোমদা, নুপীগী ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান শান্নরোয় মনিকা বট্রাসু অহুমশুবা রাউন্দদা ওষ্ট্রিয়াগী সোফিয়া পোলকানোভাগী মখূৎতা ৮-১১, ২-১১, ৫-১১, ৭-১১দা মায়থীহৌখি।

হোক্কী : ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কী টিমনা ঙসি গ্রুপ এগী অনীশুবা মেটচতা জর্মনিগা লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল ০-২দা মায়থীবা নংখি। পনবা য়াবদি, ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী গ্রুপ অসিগী অহানবা মেটচ শান্নবদসু নেদরলেন্দসকী মখূৎতা ১-৫দা মায়থীবা নংখিবনি।

ঙসিগী মেটচ অদুগী অহানবা ক্বার্টরদা জর্মনিনা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমা কেপ্টেন লোরেন্সনা পাঞ্জল ওন্থোকখি। অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপা অহুমশুবা ক্বার্টরদা এটেক মশীং হেনখিবা জর্মনিনা ৩৫শুবা মিনটতা এনি কটারিনানা



ইন্দিয়াগী মায়োক্তা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা ২-০দা মায়থীবা পীখি। গ্রুপ অমদগী টিম ৪না ক্বার্টর ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইগদৌরিবনি। ইন্দিয়াগী মখা তাবা মেটচ অহুম লৈরিবা অসি মায় পাক্লবদি ক্বার্টর ফাইনেলগী তাঞ্জা লৈরি।

আর্চরি : ঙসি অয়ূক পাঙথোকখিবা নুপাগী টিম আর্চরি কম্পিটিসনদা ইন্দিয়া ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীহৌরে। প্রি ক্বার্টরদা ইন্দিয়ানা কজাখস্টানগা লম্বা তৌনখি। মদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফজরক্কুনা সেট ৬-২দা মায়থীবা পীরগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকপনি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী তরুনদিপ রাই, অতানু দাস অমসুং প্রভিন য়াদবনা ক্বার্টর ফাইনেলদা কম্পিটিসন অসিগী গোল্ড মেদল ফংখিবা সাউথ কোরিয়াগী টিমগা লম্বা তৌনবদা সেট ৬মক সাউথ কোরিয়ানা হেন্দুনা ৬-০দা থোইবদগী ইন্দিয়া মেদলগী রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিদবনি। হায়রিবা ইভেন্ট অসিগী ওইনা সাউথ কোরিয়ানা চাইনিজ টাইপৈগী টিমবু মায়থীবা পীরগা গোল্ড মেদল লৌখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেদল অদুনা জপাননা নেদরলেন্দস থোইরগা ফংখি।

বেদমিন্টন : ইন্দিয়াগী নুপাগী দবলসকী সাটৱিক সাইরাজ অমসুং চিরাগ সেথি গ্রুপ এগী অনীশুবা রাউন্দদা ইন্দোনেসিয়াগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান প্যের মার্কস ফর্নালদি গিদিওন অমসুং কেভিন সঞ্জায়াগী মখূৎতা ১৩-২১, ১২-২১দা মায়থীহৌবনি। অদুবু মখোয়গী অহানবা মেটচতা চাইনিজ টাইপৈগী ৱর্ল্ড নম্বর থ্রী প্যের য়াং লি অমদি চি লিন ৱাংবু মায়থীবা পীরম্বনি। গ্রুপকী অরোইবা মেটচ ওইনা বৃটেনগী বেন লেন অমদি সোন বেন্দিগা শান্নবদা মায় পাকপা ঙম্লবদি নোকআউট ষ্টেজগীদমক ক্বালিফাই ওইগদৌরি।

বোক্সিং : নুপাগী বোক্সিংদা মশাগী করিয়রগী অহানবা ওলিম্পিক শরুক য়ারকপা কেজি ৭৫গী ইন্দিয়াগী বোক্সর অসিশ চৌধরি মহাক্কী অহানবা রাউন্দদা ঙসি চাইনাগী বোক্সর অর্বেকে টোহেতাগী মখূৎতা ০-৫দা য়াম্না শোত্থনা মায়থীহৌখি। পনবা য়াই, অসিশ থারগা ইন্দিয়াগী নুপাগী বোক্সর অহুম ওলিম্পিক গেমস অসিদা অহানবা রাউন্দদা মায়থীহৌখি।

হয়েং নুপীগী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী লোভলিনা বোর্গোহেননা ৱেল্টরৱেথকী ওইনা প্রি ক্বার্টর ফাইনেলদা জর্মনিগী বোক্সর নাদিন এপেটজকা লম্বা তৌনগনি।

টেন্নিস : ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোয় সুমিট নগাল অনীশুবা রাউন্দদা ৱর্ল্ড নম্বর টু ওইরিবা রসিয়ন ওলিম্পিক কম্মিটিগী শান্নরোয় দেনিএল মেদভেদেভকা লম্বা তৌনবদা য়াম্না শোত্থনা ষ্ট্রেট সেট অনীদা ২-৬, ১-৬তা মায়থীবা নংখি। পনবা য়াবদি, নগালনা অহানবা রাউন্দদা উজবেকিস্টানগী দেনিশ ইষ্টোমিমবু থোইরম্বনি।

ইন্দিয়াগী ওইনা নুপীগী দবলসতা সানিয়া মির্জা অমসুং অনকিতা রাইনা মাংজৌননা মায়থীবা নংখ্রবনি।

ফেন্সিং : টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী পুৱারীদা অহানবা ফেন্সর অমা ওইনা শরুক য়াবা ঙল্লিবী ভাবানি দেবী নুপীগী ইন্দিভিজ্যুএল সেভর ইভেন্টতা ঙসি ৱর্ল্ড নম্বর ৩ ফ্রান্সকী মেনন ব্রুনেটকী মখূৎতা পোইন্ট ৭-১৫দা মায়থীরগা লৈহৌখি। অহানবা রাউন্দদা মশাগী চহী ২৭ শুরবী ভাবানিনা টুনিসিয়াগী নাদিয়া অজিজিবু মায়থীবা পীরম্বনি।

সেলিং : ইনোসিমা য়োট হার্বরদা ঙসি পাঙথোকপা লেজর ষ্টেন্দর্দ অমদি লেজর রেদিএল সেলিং কেটগোরিশিংদা ইন্দিয়াগী বিষ্ণু সরাভানন অমসুং নেথ্রা কুমানন মখোয়-মখোয়না ঙরাং লৈখিবা পোজিসন অদুদগী হেনগৎপা ঙমদনা মথংশিংনা ২৫শুবা অমদি ২৮শুবদা তাহৌখি।

শুটিং : টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী শুটিং ইভেন্টকী ঙসি হুম্নি শুবা ফাওবদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফজবা পর্ফোর্মেন্স অমত্তা উৎপা ঙমদনা লাক্লি। টোকিওগী অসাকা শুটিং রেঞ্জতা নুপাগী ইন্দিভিজ্যুএল স্কিট ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা ইন্দিয়াগী শুটর অনগট বির সিংহ বাজুৱা অমদি মৈরাজ অহমদ খান ফাইনেল রাউন্দগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদে। অনগটনা ১৮শুবা পোজিসন তাখি। অদুগা মৈরাজ অহমদনা ২৫শুবা পোজিসনদা লৈখি। মমাংদা মানু ভাকর অমদি সৌরভ চৌধরি মখোয়-মখোয়গী দিসিপ্লিনশিং অদুদা মায়থীবা নংখি।

| Tokyo Olympic Games Medal Tally | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|
| Rk | Country | G | S | B | T |
| 1 | Japan | 8 | 2 | 3 | 13 |
| 2 | United States | 7 | 3 | 4 | 14 |
| 3 | China | 6 | 5 | 7 | 18 |
| 4 | ROC | 4 | 5 | 3 | 12 |
| 5 | Great Britain | 3 | 3 | 1 | 7 |
| 6 | South Korea | 3 | 0 | 4 | 7 |
| 7 | Australia | 2 | 1 | 3 | 6 |
| 8 | Kosovo | 2 | 0 | 0 | 2 |
| 9 | Italy | 1 | 4 | 4 | 9 |
| 10 | France | 1 | 2 | 2 | 5 |
| 11 | Canada | 1 | 2 | 1 | 4 |
| 12 | Hungary | 1 | 1 | 0 | 2 |
| 12 | Tunisia | 1 | 1 | 0 | 2 |
| 14 | Croatia | 1 | 0 | 1 | 2 |
| 14 | Slovenia | 1 | 0 | 1 | 2 |
| 16 | Austria | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 16 | Ecuador | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 16 | Hong Kong | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 16 | Iran | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 16 | Norway | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 16 | Philippines | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 16 | Thailand | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 16 | Uzbekistan | 1 | 0 | 0 | 1 |
| 24 | Netherlands | 0 | 3 | 0 | 3 |
| 25 | Chinese Taipei | 0 | 2 | 2 | 4 |
| 26 | Brazil | 0 | 2 | 1 | 3 |
| 27 | Georgia | 0 | 2 | 0 | 2 |
| 28 | Czech Republic | 0 | 1 | 1 | 2 |
| 28 | Spain | 0 | 1 | 1 | 2 |
| 28 | Indonesia | 0 | 1 | 1 | 2 |
| 28 | Serbia | 0 | 1 | 1 | 2 |
| 28 | Switzerland | 0 | 1 | 1 | 2 |
| 33 | Belgium | 0 | 1 | 0 | 1 |
| 33 | Bulgaria | 0 | 1 | 0 | 1 |
| 33 | Colombia | 0 | 1 | 0 | 1 |
| 33 | Denmark | 0 | 1 | 0 | 1 |
| 33 | India | 0 | 1 | 0 | 1 |
| 33 | Jordan | 0 | 1 | 0 | 1 |
| 33 | Romania | 0 | 1 | 0 | 1 |
| 40 | Germany | 0 | 0 | 3 | 3 |
| 40 | Kazakhstan | 0 | 0 | 3 | 3 |
| 42 | Egypt | 0 | 0 | 2 | 2 |
| 42 | Mongolia | 0 | 0 | 2 | 2 |
| 42 | Turkey | 0 | 0 | 2 | 2 |
| 42 | Ukraine | 0 | 0 | 2 | 2 |
| 46 | Côte d'Ivoire | 0 | 0 | 1 | 1 |
| 46 | Estonia | 0 | 0 | 1 | 1 |
| 46 | Israel | 0 | 0 | 1 | 1 |
| 46 | Kuwait | 0 | 0 | 1 | 1 |
| 46 | Mexico | 0 | 0 | 1 | 1 |
| 46 | New Zealand | 0 | 0 | 1 | 1 |

## মোমিজি নিশিয়ানা জপানগী খ্বাইদগী চহী নৌবা গোল্ড মেদলিষ্ট ওইরে



টোকিও, জুলাই ২৬ (এজেন্সী):
টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী ঙসি হুম্নি শুবা নুমীৎতা য়ূম্বু লৈবাক অদুগী স্কেটবোর্দর মশাগী চহী ১৩ শুরবী মোমিজি নিশিয়ানা গোল্ড মেদল ফংদুনা জপানগী ওলিম্পিক পুৱারীদা খ্বাইদগী চহী নৌনা গোল্ড মেদল ফংবগী রেকোর্দ অদু থমখ্রে।

টোকিওদা লৈবা অরাইকে অর্বান স্পোর্টস পার্কতা মোমিজি নিশিয়ানা নুপীগী ষ্ট্রিট স্কেটবোর্দিং ইভেন্ট অদুদা ময়াম্না খ্বাইদগী চাওনা থাজনা গোল্ড ফংগনি হায়না তৌরম্বী ব্রাজিলগী রেসা লিয়নবু মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল ফংখিবনি।

নিশিয়া মহাক্কী চহী ১৪ শুবগী মপোক কুমওন পাঙথোক্কদবা কুইদ্রবনি। মহাক্না জপানগী খ্বাইদগী চহী নৌনা ওলিম্পিক্সতা গোল্ড মেদল ফংবগী রেকোর্দ থমখ্রবসু মালেমগী ওইনা ওলিম্পিক্সকী পুৱারীদা য়ু এস এগী মার্জোরি গেষ্ট্রিংনা কুমজা ১৯৩৬ বর্লিন ওলিম্পিক গেমসতা নুপীগী মিটর ৩গী স্প্রিং বোর্দ দাইভিং কম্পিটিসনদা মশাগী চহী ১৩গা নুমীৎ ২৬৮দা গোল্ড মেদল ফংদুনা হৌজিক ফাওবা রেকোর্দ অদু থুগায়বা ঙমদ্রি। ঙসিগী ইভেন্ট অদুদা সিলভর মেদল ফংখিবী ব্রাজিলগী রেসা লিয়ননা করিগুম্বা গোল্ড মেদল ফংলম্বা তারবদি মার্জোরি গেষ্ট্রিংগী রেকোর্দ অদু থুগায়রমগদবনি। মরমদি লিয়ন মশাগী চহী ১৩গা নুমীৎ ২০৩ খক্তমক ঙাইরিবীনি। ঙসিগী ফাইনেল অদুদা জপানগী মোমিজি নিশিয়ানা পোইন্ট ১৫.২৬ ফংলগা গোল্ড ফংখি। ব্রাজিলগী রেসা লিয়ননা পোইন্ট ১৪.৬৪দা সিলভর অদুগা অতোপ্পা জপানগী নাকায়ামানা পোইন্ট ১৪.৪৯ ফংলগা ব্রোঞ্জ লৌখি।

## আই এস এল ক্লবশিংনা নুপীগী তোঙানবা ক্লব শেম্বীরবদি ইন্দিয়াদা অফবা শান্নরোয় কয়া থোক্লক্কনি : ঙাঙোম বালা

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচ এন এস):
ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল পুৱারীদা অহানবা য়ুরোপিয়ন প্রোফেসনেল ফুটবোল লীগ শান্নবগী রেকোর্দ থম্বা ঙমখ্রবী ঙাঙোম বালানা ইন্দিয়াগী নুপাগী ওইবা আই এস এলগী ক্লবশিংদসু নুপীগী ক্লব থল্লবদি লৈবাক অসিদা অফবা নুপী শান্নরোয় কয়া অমা থোক্লক্কনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি মহাক্না পাউচে অসিগা অখন্নন্না উনবা অমদা ফোঙদোকখিবনি। ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা বালানা স্কোটলেন্দগী ক্লব রেঞ্জর্স এফ সীদা ফজনা শান্নখিবা অদুগীদমক সিজন অসিগী ওইনা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল্লর ওফ দি ইয়রগী মনাসু পীখি। মসিদসু নৎতনা এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসননা চয়োল খূদিংগী মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা শান্নরিবা এসিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী মরক্তা চয়োল অমগী ওইনা খ্বাইদগী ফজবা শান্নবগী মনা অদুসু মহাক্না কুমজা ২০২০গী দিসেম্বর থাগী অহুমশুবা চয়োলদা মমিং লৈরবা অতোপ্পা শান্নরোয় কয়াদগী ভোটমশীং হেন্না ফংদুনা মিংথোল অদু ফংখি।

ইন্টরনেসনল ফুটবোল শান্নরোয় অসিনা রেঞ্জর্স এফ সীগা থা ১৮গী কন্ট্রেক্ট অদু লোইরবা মতুং চৎলিবা থা অসিদগী মখা তাবা থা ৬কী অনৌবা কন্ট্রেক্ট অমসু খূৎয়েক পীনখ্রে হায়রকখি।

পাউচে অসিনা শান্নরোয় অসিদা য়ুরোপকী



ফুটবোলগা লৈবাক অসিগী ফুটবোল ট্রেনিংগী মতাংদা হংখিবদা, মফম অদুদা ট্রেনিংগী কাঙলোন অসি য়াম্না চেকশিন্না লুনা লৌই। চয়োল অমদা নুমীৎ ৫নি ট্রেনিং তৌদবা য়াদে। লোয়নন্না ট্রেনিং তৌদবা নুমীৎশিং অদুসু শান্নরোয়শিং অদুনা মশা-মশাগী ওইবা শাজেল তৌদুনা মশা খিঙনা লৈহল্লি হায়খি।

ইন্দিয়াদা গ্রাসরুট লেভেলদগী অফবা শান্নরোয় কয়া শেমগৎনবা হোৎনরিবা অসি থাগৎনিংঙাইনি। অদুবু মশক খঙদোকপা লোইরবা মতুং মখোয়বু টুর্নামেন্টশিংদা তোয়না শান্নহনবা ঙমদবা অসিনা মখোয়গী হৈথোই-শিংথোইবশিং অদু অসুম ফাজিল্লকপা মরম্না মাঙথরকই হায়খি।

ফুটবোল মশান্নগী ওইনদি মালেম শীনবা থুংনা ফিফাগী কাঙলোনশিংগী মতুংইন্না ট্রেনিং অমদি মেটচশিং শান্নরিবা ঙাক্তনি। অদুবু শান্নরোয়শিং অসি তোয়না শান্নহনবগী অহেনবা কান্নবা অদু ইন্দিয়া লৈবাক্কী ওইনদি খরা ৱাৎনা লৈরি। কেম্প অমা লোইরবা মতুং টুর্নামেন্ট য়াওরগা মতম শাংনা শান্নরোয়শিং অসি পোত্থাদুনা লৈবসি য়ুরোপিয়ন কন্ট্রিশিংদদি য়াম্না তাঙনা উই।

ফুটবোল একাদেমি কয়া মণিপুরদসু লৈরক্লবনিনা তুংদা অফবা শান্নরোয়শিং মশীং য়াম্না থোক্লককপগী অচৌবা মমি অমদি উরে হায়না ঙাঙোম বালানা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকখি। হোৎনবা লেপ্তুবনা মীথোই-মীহেনবা ঙমগনি হায়বগী ৱাখল অদু নহা ওইরিবা ফুটবোল শান্নরোয় খক্তা নৎতনা দিসিপ্লিন খূদিংমক্কী শান্নরোয়শিংদা মহাক্না পাউজেল্লক্লি।

টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী ইহান হানবা সিলভর মেদল ফংদুনা ৱেথলিফটিংদা মিংচৎ পুরকপা ঙমখ্রবী মণিপুরগী সাইখোম মিরাবাইগী পর্ফোর্মেন্স অদুদা মহাক্না য়াম্না পেনবা ফাওবগা লোয়নন্না তুংদসু হেন্না ফজবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙম্লকনি হায়বগী থাজবা থম্লকখি।

## ইন্দিয়াগী স্পোর্টসকী পাৱর হাউসনি হায়বা মিরাবাই চনুনা তাকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচ এন এস):
টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ৱেথলিফটিংগী দিসিপ্লিনদা সিলভর মেদল ফংবা ঙমদুনা ইন্দিয়াদা পীক্লবসু মণিপুরনা স্পোর্টসকী পাৱর হাউসনি হায়বা অদু সাইখোম মিরাবাই চনুনা তাকখ্রে হায়না লৈহৌখুন্নাই কনবা লূপতিন (এল কে কে এল)গী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

লূপ অসিনা মিরাবাইবু থাগৎপা অমদি নুংঙাইবা ৱাহৈসু ফোঙদোরক্লি। মহাক্তা নৎতনা মণিপুর ষ্টেটতগী পূন্না শান্নরোয় মঙানা ওলিম্পিক গেমস অসি শরুক য়াখিবনি। ৱর্ল্ড ক্লাস শান্নরোয় অমা ওইনবা হোৎনবদা ৱর্ল্ড ক্লাস ইক্বিপমেন্ট ফংহনবা মথৌ তাই। মথংগী ওলিম্পিক গেমসতা গোল্ড মেদল লৌবা ওইরসনু হায়না পাউজেল্লক্লি।

অমরোমদা, ইন্টরনেসনল সনামহিজম ষ্টুদেন্টস এসোসিএসনগী মায়কৈদগী প্রসিদেন্টনা থাদোরকপা চেরোল অমদা নুপীগী কিলোগ্রাম ৪৯গী ৱেথলিফটিং ইভেন্টতা সিলভর মেদল লৌরকখ্রবী লমদম অসিগী চনুরা সাইখোম মিরাবাই চনুবু লূপ অসিগী মায়কৈদগী থাগৎপা অমদি হরাউ নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি। অৱাৎপনা থল্লবা পীকখ্রবা ইরমদম কংলৈপাক অসিগী চনু অমনা মালেমগী খ্বাইদগী ৱাংবা শান্নবগী চাংদম্নবা অদুদা মিংচৎ পুরকপা অসি লমদম অসিগী মীপূম খূদিংমক্কী চাওথোকচনিংঙাইনি হায়খি।

অৱাবা কয়া মায়োক্লদুনা থাক অসিবু য়ৌহল্লকখিবা, খূৎ পায়দুনা তাকপী-তম্বীরকখিবা ওজাশিং অমদি ইমুং-মনুংগী অৱাৎ-অপা য়েংশিনবীদুনা মেনখৎপীবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

অমরোমদা, লৈহাও অসিদগী হৌখিবী জুদো শান্নরোয় লিকমাবম শুশিলাবুসু লূপ অসিনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। মতুং তারকপদা লাক্কদবা চাংদম্নবশিংদা মিংচৎ উরোং পুরকপা ঙমদুনা লমদম অসিগী মমিং মীয়ামদা খঙহল্লসি হায়খি।

## সেপ্টেম্বর ১৯দগী মপূং ফাহৌদ্রবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ দুবাইদা মখা তারগনি

মুম্বাই, জুলাই ২৬ (এজেন্সী):
চহী অসিগী এপ্রিল অমসুং মে থা লোন্নবদা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভনা মরম ওইরগা য়েথোক্লুরবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অদু দুবাইদা সেপ্টেম্বর ১৯দগী মখা তানা শান্নরগনি হায়না বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বিসীসীআই)গী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখ্রে।

মখা চত্থরক্কদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেটচ অদু মুম্বাই ইন্দিয়ন্স অমসুং চেন্নাই সুপর কিংসনা শান্নবা হৌদোক্কদৌরি। য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসনা য়ূম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী সিটি অহুম দুবাই, অবু ধাবী অমসুং সর্জাদা আই পি এলগী লেমহৌরিবা মেটচ ৩১ অদু সেপ্টেম্বর ১৯দগী হৌরগা ওক্টোবর ১৫দা শান্নগদৌরিবা ফাইনেল মেটচ অদু ফাওবা মফমশিং অদুদা শান্নরগনি হায়রি। দুবাইদা পূন্না ফাইনেল অমদি ফর্ষ্ট ক্বালিফায়র মেটচ অদু য়াওগা পূন্না মেটচ ১৩ শান্নগনি। সর্জাদনা ইলিমিনেটর মেটচ অমদি সেকেন্দ ক্বালিফায়িং মেটচ অদু থারগা পূন্না মেটচ ১০ শান্নগনি। অদুগা অবু ধাবীদনা মেটচ ৮ শান্নগদৌরি। মেটচ অয়াম্বা নুমিদাং পুং ৭.৩০দগী হৌগদৌরি। অদুগা মেটচ খরনা নুংথিল পুং ৩.৩০দা হৌগদৌরি।

নীংশিংবা য়াই, বি সী সী আইনা চহী অসিগী ময়াই চনশিল্লকপদা শান্নরোয় কয়া অমদি সপোর্ট ষ্টাফশিংগী মরক্তা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনরকপদগী আইপিএলগী লেমহৌরিবা মেটচশিং অদু য়েথোক্কুনা লাকখিবনি।

ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ গভর্নিং কাউন্সিল অমদি বি সী সী আইনা ইমর্জেন্সি মীফম অমা পাঙথোক্কুনা আই পি এল ২০২১ খূদক্তা য়েথোকখিবনি। রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না আই পি এল সিজন অদু ময়াইদা লেপখিবনা মরম ওইদুনা বি সী সী আইনা ব্রোদকাষ্টিং অমদি স্পোন্সরগী ওইবা লুপা ক্রোর ২০০ রোমগী য়াম্লবা শেনফম মাঙবগী ফীভমদা লৈরে হায়না মমাংদা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। অখন্নবা জেনরেল মীফম অমা বি সী সী আইগী মায়কৈদগী পাঙথোক্কুনা লেমহৌরিবা মেটচশিং অদু য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসকী সিটি অহুমদা লোইশিল্লগনি হায়না ঙরাং অথেংবদা বোর্দ অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবনি। য়ু এ ঈদা পাঙথোক্কদৌরিবা ভিভো ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ ২০২১ সিজন অসিগী অচৌবা মরমদি সেপ্টেম্বর অমদি ওক্টোবর থা অসি ইন্দিয়াগী মফম অয়াম্বদা মোন্সুন সিজন ওইবা মরম্না মেটচ শান্নবদা অপনবা কয়া পীরকপা য়াবগী তাঞ্জা লৈবননি।

## আই ও সীবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ২৬ (ঐচ এন এস):
কিক বোক্সিং মার্সিএল আর্টস স্পোর্টসপু চাউখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা দল্লিয়ু এ কে ও অমসুং দল্লিয়ু এ কে ও ইন্দিয়াবু অমদি স্পোর্টস অসিবু মালেমগী লৈরিবা স্পোর্টস ওইনা শকখঙবীরিবা আই ও সী (ইন্দিয়ন ওলিম্পিক কাউন্সিল)বু থাগৎপা অমদি নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি হায়না নোর্থ ইষ্ট এসোসিএসন ওফ কিক বোক্সিং ওর্গনাইজেসন (এন ঈ এ কে ও)গী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা কিক বোক্সিং এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট হান্নগী দেপ্যুটি স্পিকর প্রেসো শিমরেনা ইম্ফালগী বাবুপারাদা ঙসি পাঙথোকপা অচম্বা থৌরম অমদা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তাখিবদা, কিক বোক্সিং মশান্না অসি লৈঙাক্না অমদি আই ও সীনা শকখঙবীনবা মতম কয়াগী মমাংদগী দল্লিয়ু এ কে ও অমদি দল্লিয়ু এ কে ও ইন্দিয়ানা পূন্না হোৎনদুনা লাক্লি। অদুবু লাইবক ফবদগী থা অসিগী ২০দা শকখঙবীরে। মরম অসিনা আই ও সীবু থাগৎপা অমদি দল্লিয়ু এ কে ও অমসুং দল্লিয়ু এ কে ও ইন্দিয়াবু তৌবীমল খঙবা উৎচবগা লোয়নন্না নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুরদা লৈরিবা কিক বোক্সিং মশান্নগী শান্নরোয় অমদি ওজাশিংনা কন্না হোৎনবীদুনা মশান্না অসিবু হেন্না চাউখৎনবা হোৎনমিন্নরসি হায়খি। শান্নরোয়শিংনা কন্না হোৎনদুনা ইশাগী টেলেন্ট কয়া অদুবু উথোপীদুনা লৈবাক্কী মিংচৎ পুরকপা ঙম্নবা হোৎনমিন্নরসি হায়খি।

হৌজিক জপানদা চত্থরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা ৱেথলিফটিংগী সিলভর মেদল ফংলক্লবী সাইখোম মিরাবাইবু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়নন্না অতোপ্পা ইন্দিয়াগী এথলিটশিংনসু মখোয়-মখোয়গী মায়কৈদগী মেদল ফংনবা হোৎনবীয়ু হায়না ফোঙদোরক্লি।

## ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর ভিদিট গুজরাথি চেছ ৱর্ল্ড কপকী ক্বার্টর ফাইনেলগী থাক য়ৌবা ঙমখ্রে



সোচি, জুলাই ২৬ (এজেন্সী):
রসিয়াগী সিটি সোচিদা চত্থরিবা চেছ ৱর্ল্ড কপতা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর ভিদিট জুজরাথি ঙসি শান্নবা মঙাশুবা রাউন্দ মায় পাক্কুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ৱর্ল্ড কপ অসিগী ১৩শুবা সিদিং ফংখিবা ভিদিট গুজরাথিনা অজরবৈজানগী গ্রান্দমাষ্টর বাসিপ দুরার্বেলিগা লম্বা তৌনবনি। অহানবা গেমদা শান্নরোয় অনীগী মায়কৈদগী শান্নখিবা গেম অদু গুজরাথিনা অঙৌবা মচু পায়রগা এটেক হৌবা ঙমখ্রবসু দুরার্বেলিগী মায়কৈদগী অকনবা মওংদা দিফেন্স তৌদুনা মুভ ৫৬তা গেম অদু দ্রো চৎতুনা ০.৫-০.৫দা লৈনখি। মিনি গেম অনী অদুদা লম্বা তৌনরিবা ভিদিট গুজরাথি ঈএলও রেটিংদা ২৭২৬ লৈরিবনি। অদুগা বাসিপ দুরার্বেলিনা ২৬২৫দা লৈরি।

ঙসি অনীশুবা গেম অদু দুরার্বেলিনা অঙৌবা মচু পায়রগা ভিদিট গুজরাথিনা অমুবা মচু পায়দুনা এটেক চত্থরকপা অদু নীংথিনা মায়োক্নবা ঙমখি। গেম অদুগী ৩৮শুবা মুভ য়ৌশিল্লকপদা অজরবৈজানগী গ্রান্দমাষ্টর অদুগী মায়কৈদগী মতম লোইশিনখিবনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াগী ভিদিট গুজরাথিনা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি। মহাক্না রসিয়াগী অলেকজেন্দর গ্রিচুক অমদি পোলেন্দগী জান কৃষ্টোপ দুদা অনীগী অথোইবগা থেংনরগনি।

## আর ও সীনা জিম্নাষ্টিক্সকী নুপাগী টিম গোল্ড জপানদগী হেন্দুনা লৌখ্রে

টোকিও, জুলাই ২৬ (এজেন্সী):
য়াম্না নক্নবা লম্বা অমদা আর ও সী (রসিয়ন ওলিম্পিক কম্মিটি)গী নুপাগী জিম্নাষ্টিক্স টিমনা মমাংগী ওলিম্পিক চেম্পিয়ন টোকিও গেমসকী য়ূম্বু জপানদগী শুপ্নগী পোইন্ট ০.১০৩ হেল্লগা গোল্ড মেদল লৌখ্রে।

ঙসি লোইশিনখিবা নুপাগী জিম্নাষ্টিক্সকী টিম কম্পিটিসন অদুদা আর ও সীগী মায়কৈদগী য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইবা পর্ফোর্মেন্স উৎপা ঙম্লকপদগী জপানদগী হেনখিবনি। রসিয়ানা ওলিম্পিক্স অসিদা মখোয়গী লৈবাক্কী ফিরাল অমদি নেসনল এন্থেম অদু ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিনা লৈবাক অদুগী তোঙান-তোঙানবা এথলিটশিং দ্রগ টেষ্ট তৌবদা ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সীগী কাঙলোন ইনখিদবদগী শীজিন্নহনখিদবনি।

ঙসি পাঙথোকখিবা এপরেটস তরুক্তা আর ও সীনা পূন্না পোইন্ট ২৬২.৫০০ ফংলগা কুমজা ১৯৯৬তা য়ু এস এনা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা অটলান্টা গেমসকী মতুংদা টিমগী গোল্ড মেদল লৌবা ঙম্লকপনি। জপাননা পোইন্ট ২৬২.৩৯৭ ফংলগা সিলভর লৌখি। অদুগা চাইনানা পোইন্ট ২৬১.৮৯৪ ফংলগা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখি। আর ও সীগী মায়কৈদগী ৱর্ল্ড জিম্নাষ্টিক্স চেম্পিয়নশিপতা টাইটল ফংবা ঙমখ্রবা নিকিতা অমদি অর্টুনা লুচিংখি।

## ইংলেন্দ টুরদা সো অমসুং সুরিয়া কুমারবু রিপ্লেসমেন্টনি হায়খ্রে


মুম্বাই, জুলাই ২৬ (এজেন্সী):
ওগষ্ট ৪দগী ইন্দিয়াগী নুপাগী ক্রিকেট টিমনা ইংলেন্দদা হৌগদৌরিবা টেষ্ট মেটচ মঙাগী সেরিজ অদুদা অশোকপা শান্নরোয় য়াওরকপদগী মহুৎ শিন্নবা পৃথিবী সো অমসুং সুরিয়া কুমার য়াদবকী মমিং ওল ইন্দিয়া সিনিয়র সেলেক্সন কম্মিটিগী মায়কৈদগী লাউথোকখিবনি।

হৌজিক-হৌজিক ইংলেন্দদা লৈরিবা ওল রাউন্দর ৱাশিংটন সুন্দর, ফাষ্ট বোলর অভেস খান অমসুং বেটসমেন সুবমান গিল শোকপদগী সেরিজ অদু য়াওবা য়াররোই হায়না লাউথোকখ্রবনি। বি সী সী আইনা ফোঙদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না ওল রাউন্দর সুন্দরগী য়েৎ থংবা খূৎকী খূৎশাদা শোকপদগী ইঞ্জেক্সন কাপ্পবসু ফরকপদা মতম কুইনা চঙগদবনা সেরিজ অদু য়াওবা ঙম্লোইদৌরিবনি।

অমরোমদা, ফাষ্ট বোলর অভেস খান ৱার্ম অপ গেমদা ওই থংবা খূবীদা শোকপদগী এক্সরে লৌবদা শরূ ফ্রেকচর লৈরে খঙবদগী মহাকসু মখা তানা শান্নবা য়ারোইদৌরিবনি।

বেটসমেন সুবমান গিল ওই থংবা খূউদা ৱর্ল্ড টেষ্ট চেম্পিয়নশিপ ফাইনেল মেটচ শান্নরিঙৈদা শোকপদগী মখা তানা শান্নবা য়াররোই হায়না বি সী সী আইগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপদগী ইন্দিয়াদা হল্লকখি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 182

**GM Bacrot, Etienne (2671) - GM Bartel, Mateusz (2635)**
**Chess24 Banter Blitz Cup chess24.com INT, 2020.01.20**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 e6 | 2.d4 d5 | 3.Nc3 Nf6 | 4.e5 Nfd7 |
| 5.f4 c5 | 6.Nf3 Nc6 | 7.Be3 Be7 | 8.Qd2 b6 |
| 9.Bb5 Bb7 | 10.O-O O-O | 11.Ne2 f5 | 12.c3 a6 |
| 13.Bd3 b5 | 14.Kh1 g6 | 15.Rg1 Kh8 | 16.g4 b4 |
| 17.Rg3 Qa5 | 18.h4 bxc3 | 19.bxc3 cxd4 | 20.Nexd4 Nxd4 |
| 21.Bxd4 Nc5 | 22.h5 Ne4 | 23.Qh2 Nxg3+ | 24.Qxg3 Rg8 |
| 25.Qh3 g5 | 26.fxg5 Bxg5 | 27.gxf5 Raf8 | 28.Nxg5 Rxg5 |
| 29.fxe6... | | | |

**QUESTION :**
**Black to win**

### Puzzle 181 Ans. :

25. ...Rg1+ 26.Kh3 Nxf4+The black knight captures White's pawn, which was defending square g5. 27.Kh4 f6 28.Rc8+ Kg7 Mating net
28. ...Kf7 Mating net 29.b4 g5# David and Goliath mate
29. Bxe7 g5# David and Goliath mate
25. ...Rg1+ 26. Kh3 Nxf4+ 27. Kh4 f6 28.Be6+ Kh8 29.Rc8+ Kg7 30.Rg8+ Kh6

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com